# টেলিফোন রেকোর্দ লীক ওইরকখিবদু লৈবাক মনুংদা য়েংথিহন্নবা হোৎনবনি: রৌহানি



টেহরান, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী) :
ইরানগী টোপ দিপ্লোমেট খরনা লৈবাক অদুগী মনুংগী ওইবা ৱারী খরা ফোনগী খুখাংদা শান্নখিবা অদুগী ওদিও রেকোর্দিং লীক ওইরকখিবা অদু য়েক্লবা মীওই খরনা লৈবাক মনুংদা নুংশিনহন্দনবা হোৎনবনি হায়না ইরানগী প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোক্তা চেন্নরিবা মীওই অথুবা মতমদা মরালগী চপ চাবা চৈরাক পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মোহমদ জবেদ জরিফনা ইরান মনুংগী ওইবা ৱাফমশিংগী মতাংদা অতোপ্পা টোপ দিপ্লোমেটশিংগা শান্নখিবা অরোনবা ৱারী কয়া লন্দনদা বেজ তৌবা মীদিয়া নেটৱার্ক অমনা ফোঙলকখিবা অসি চিংননিংঙাই ওই। হায়রিবা মীদিয়া হাউস অসি সাউদি অরবিয়ানা শেন্থং পীদুনা চলাইবনি। সাউদি অরবিয়া অমসুং ইরানগী মরক্তা হান্নদগী হৌনা উংখৎনবগী থৌওং কয়া থোক্তুনা লাক্লি। মরক অসিদা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক অমা থোরকপা হায়বসি ইরাননা তরাইনা লৌদে হায়রি।

ৱাশিংটন অমসুং টেহরান অনীগী মরক্তা হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অদু অমুক হন্না রিভাইব তৌহন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরিঙৈ মরক অসিদা ইরানগী অরোনবা কয়া ফোঙদোক্লবা হোৎনরক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা তুংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লকপা য়াই। মরম অদুনা ইন্তরনেশ্নেল কম্যুনিটিশিংনসু হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

ভিয়েনাদা টেহরান অমসুং ৱাশিংটন অনীগী মরক্তা নাকোয়ননা শান্নরিবা ৱারী অদু মায় পাকপা য়াবগী লম্বীরোমদা চঙশিল্লক্লি। অদুবু মশাগী লনাই ইন্তরেষ্টতা থবক তৌবা খরনা ইরানবু লৈবাক মীয়াম মমাংদা লান্না উহন্নবা হোৎনরি। মসি মখা তানা তৌরোইদবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অদুদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা কুমজা ২০১৮ দা তোকখ্রবা মতুং ইরানগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিল্লকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অনীগী মরক্তা মতম মতমগী ওইনা উংখৎনবশিং থোক্তুনা লাক্লি। য়ু এসনা ইরানগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ইরাননা য়ুরেনিয়ম প্রদক্টশিং কা হেন্না পুথোক্লবা মালেমগী লৈবাকশিংদা কিহনখি। অমদি য়ুরেনিয়ম কা হেন্না পুথোকপগী থবকসু চত্থবা হৌরকখিবনি।

চাইনা, রুসিয়া, জর্ম্মনি, ফ্রান্স অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমনা ইরানদা কুমজা ২০১৫ দা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অদুগী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎনবা কয়ারক হন্না খঙহনখি। ইরানগী মায়কৈদগী য়ু এসনা টেহরানগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং অদু লৌথোক্লবদি ন্যুক্লিয়র দিলগী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। মদুগী মতুং য়ু এসতা নৌনা প্রসিদেন্ট ওইরকখ্রবা জো বাইদেননা ইরানগী ৱাথোক লোয়শিন্নবা হোৎনবা হৌরকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৫ দা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিলগী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎনবা হোৎনরকখিবনি।

# ইরানিয়ন ভেসেলশিংদা ৱার্নিং পীবা ওইনা য়ু এস নেভিনা গল্ফ রিজনদা নোংমৈ কাপখি

ৱাশিংটন, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী) :
মালেমগী ঈশিং শরুক্তা মথৌ তৌরিবা য়ু এস সিপশিংগী মনাক নক্লা ইরান রিভোল্যুসনরি গার্দ কোর্পস (আই আর জি সী) না থৌজিল্লকপদগী মখোয়বু ৱার্নিং পীবা ওইনা য়ু এস নেভিনা নোংমৈ কাপখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

গল্ফ রিজনদা আই আর জি সীনা য়ু এস সিপ মনাক নক্লা চঙশিল্লকখিবা অদু চঙলক্তনবা অহানবদা তোঙান তোঙানবা মখলগী সিগনেলশিং পীখি। অদুবু আই আর জি সীগী ভেসেল অদুনা য়ু এস সিপশিংগী সিগনেল অদুবু থওইদনা মনাক নক্লা থৌশিল্লকপদগী অহানবগী ৱার্নিং পীবা ওইনা নোংমৈ কাপখিবনি হায়না য়ু এস মঙাশুবা ফ্লিটনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা গল্ফ রিজনদা য়ু এস নেভি পেট্রোল সিপ অমা অমসুং য়ু এস কোষ্ট গার্দ পেট্রোল বোর্দ অমা মথৌ তৌদুনা লৈখি। মখোয়না মথৌ তৌরিঙৈদা আই আর জি সীগী ভেসেলশিং অদুনা অকায়বা পীবা য়াবা মওংদা চঙশিল্লকখি। অহানবদা রেদিওগী খুখাংদা অমদি লাউদ স্পিকর দিভাইজ শীজিন্নদুনা আই আর ভি সীগী ভেসেলশিং অদু চঙশিল্লক্তনবা খঙহনখিবনি।

হৌখিবা চহী অমরোম অসিদা গল্ফ রিজনদা ইরান অমসুং য়ু এস নেভেল ফোর্সশিংগী মরক্তা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং থোক্তনা লাক্লি। অদুবু থা অসিগী ওইনা হন্দক থোকখ্রিবা থৌদোক অসিনা অনীরকশুবা থৌদোক ওইরি। থা অসিগী অনীদা আই আর জি সীনা য়ু এস সী জি সী মোনোমোইবু লম্বীদা থত্তুনা থমখি। মদুনা মরম ওইদুনা য়ু এস কোষ্ট গার্দ ভেসেল অদু ইঞ্জিন মফম অদুদা লেপখিবনি।



অমরোমদা য়ু এসনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ইরানগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা য়ু এসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ইরানগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিল্লমখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা নাকল অনীগী মরক্তা চাওনা উংখৎনরকখিবনি।

চহী অসিদগী য়ু এসতা জো বাইদেনগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং ইরান অমসুং য়ু এসকী মরক্তা লৈনরিবা উংখৎনবশিং অদু লোইশিন্নবা অনৌবা প্রসিদেন্ট অসিনা হোৎনরি। জোইন্ট কমপ্লিহেনসিপ প্লান ওফ এক্সনদা য়ানখিবশিং ইরাননা ঙাক্লা চৎলবদি য়ু এসনা টেহরানগী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবশিং অদু লৌথোক্কনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা টেহরানগী মথক্তা ৱাশিংটননা অথিংবা কয়া থল্লমখিবা অদু লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌবা হৌরকখিবা অদুবু মাইকৈ খরদগী য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইরাননা য়ানখিবশিং ঙাক্লা চৎত্রিফাওবা অথিংবশিং লৌথোক্তনবা ফোঙদোক্লরক্লি।

# ‘ভেক্সিন কাপখ্রবা মীওইশিংনা মতম পুম্বদা মাস্ক উপ্পগী মথৌ তাদে’

ৱাশিংটন, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী) :
য়ু এস গভর্ণমেন্ট হেল্থ ওথোরিটিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রবা মীওইশিংনা মতম পুম্বদা ফেস মাস্ক উপ্পগী মথৌ তাদে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা মফম খুদিংমক্তা কোভিদগী ভেক্সিন কাপথোক্লবা অকনবা মওংদা শেম শারি হায়রি।

ওথোরিটি অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রবা মতুংদা য়ুমদগী মপান থোক্তুনা লম্বীদা চৎথোক চৎশিন তৌবা অমদি মশাগী থবক তৌবদা মাস্ক উপ্পগী মথৌ তাদে। অদুমওইনমক ইশানা লৌখৎচবা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না মী কা হেন্না তিনবা মফমদদি ফেস মাস্ক উপকদবনি।

মীওই কয়ানা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রবসু মাস্ক উপ্পা মথৌ তাই হায়না খন্নরি। মদু অরানবা ৱাখল্লোননি। মী কা হেন্না তিনদবা মফমদা ভেক্সিন কাপখ্রবা মীওইশিংনা মাস্ক উপতবী চঙশিনবদা থোইদোক্লা চিংননিংঙাই ওইদ্রে। সেন্তর ফোর দিজিস কন্ত্রোল (সী দি সী) না ফোঙদোকখিবদা মাস্ক উপ্তুনা মীরক তিনবা য়ারে হায়রিবসি অখন্নবা কন্দিসন খরগী মখা পোল্লি।

কোভিদ ভেক্সিনগী দোজশিং মপুং ফানা কাপখ্রবা মতুং চয়োল ২ লৈরগা মাস্ক উপ্তবা য়াগনি হায়বনি। অদুবু হায়রিবা অসি মপুং ফাদ্রিবা মীওইশিংনদি য়ুমদগী মপান থোরকপা মতমদা ফেস মাস্ক শুংশোয় শোয়দনা শীজিন্নগদবনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা অমেরিকাদা লৈরিবা চহী ৪৫ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদি চাদা ৫০ দি কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপ্পা লোয়খিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ গী কেসসু নোংমা নোংমগী চাং হন্থরক্লি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোরোনা ভাইরসনা ইনফেক্ট তৌখিবা মশীং ৩২,৯২৯,১২৬ শুখ্রে অদুগা শিখিবা মশীংনা ৫,৮৭,৪৪০ শুখ্রে।

# লোনা য়াদবা মওংদা ফিঞ্চেস লল্লোন্নবা হোৎনরম্বা ১ ফারে

ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী) :
ন্যু য়োর্ককী জে এফ কে এয়র পোর্টতা ঙসি কষ্টম ওফিসরশিংনা লোনা য়াদবা মওংদা লল্লোন্নবগীদমক অতোপ্পা মফমদা পুনবা হোৎনরম্বা ফিঞ্চেস (খোঞ্জেল ফজবা অপিকপা উচেক মখল অমা) ৩৫ ফাবা ঙমখ্রে। অমদি উচেকশিং অদুবু তুমিন্না পুনবা হোৎনরম্বা মীওই অদুসু ফারে হায়না ফেদরেল প্রোজিক্যুটরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কষ্টম ওফিসলশিং অদুনা থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী জে এফ কে এয়রপোর্টতা চেক তৌবগী থবক হান্নদগী হেন্না কনখৎখি। মদুদা নুপা অমনা উচেকশিং অদু অপিকপা বোক্স মচা মচাশিংদা হাপ্পগা মশাগী জেকেটতা পুনবা হোৎনরম্বদগী ফাবা ঙমখিবনি।

কষ্টম ওফিসলশিংনা উচেকশিং অদুবু পুদুনা লাকখিবা মীওই অদু ফারবা মতুং ৱাহং পাউহং চত্থখিবদা উচেকশিং অদু য়ু এসতা পুনবা হোৎনরম্বনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। উচেকশিং অদু য়ু এস তান্না দেলিভর তৌরকপদা মঙোন্দা য়ু এস দোল্লর ৩,০০০ পীগনি হায়না খঙহল্লকখি। এদভান্স ওইনা দোল্লর ৫০০ মঙোন্দা পীরকখ্রে হায়রি।

ফিঞ্চেস হায়রিবা অপিকপা উচেক মখল অসি মরু ওইনা মখোয়গী খোঞ্জেলগীদমক মিং চৎলি। উচেক অসি সিঙ্গিং কম্পিটিসনশিংদা য়াম্না তোয়না শীজিন্নৈ। তোঙান তোঙানবা উচেকশিং খোঞ্জেল ফজবা চাংদম্নদুনা বেটিং তৌনবগী থবক লৈবাক কয়াদা চত্থরি। ঈশৈ চাংদম্নবগী কম্পিটিসনদা মায় পাক্লবা ফিঞ্চেস উচেক অমগী মমল য়ামদ্রবদা য়ু এস দোল্লর ১০,০০০ নি হায়না ফেদরেল প্রোজিক্যুটরশিংনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# য়ু এস নেভি সিলনা গ্লোবেল থ্রেটশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমগদৌরি

ৱাশিংটন, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী) :
য়ু এস ক্রুপশিংগী মরক্তা অখন্নবা অমা ওইরিবা য়ু এস নোভি সিল হায়রগসু খঙনরিবা ইলাইট মিলিটরি ফোর্স অসি গ্লোবেল স্পেসল ফোর্সশিংদা শীজিন্ননবা য়ু এস গভর্ণমেন্টনা ফিরেপ লৌখ্রে হায়রি।

য়ু এস নেভি সিল অসি মরু ওইনা কাউন্টর টেরোরিজমগী ওপরেসনশিংদা শীজিন্নদুনা লাকখিবনি। ওসামা বিন লাদেনসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী নেভি সিলনা হাৎখিবনি। নেভি সিলদা য়াওরিবা ক্রুপশিং অসি অখন্নবা কোম্বেট ত্রেনিং ফংলবা ঙাক্তনি।

চাইনা অমসুং রুসিয়ানা য়ু এসতা অয়েৎপা পীরবা য়াই হায়না মতম কয়াগী মমাংদগী ৱাশিংটননা থাজদুনা লাক্লি। চাইনা অমসুং রুসিয়াগী মায়োক্তা মরু ওইনা ৱাশিংটননা য়ু এস নেভি সিল শীজিন্ননবা ফিরেপ লৌখিবনি। য়ু এস নোভি সিলগী তৌবা ঙম্বশিং অদু মরু ওইনা চাইনা অমসুং রুসিয়াদা খঙহন্নবা পান্দমদা ৱাশিংটননা ফিরেপ অসি লৌখিবা ওইরবসু অতোপ্পা লৈবাকশিংদা থোক্লিবা লালহৌবশিংগী ৱাথোকশিং লোইশিন্নবা হোৎনবদা মখা তানা ইলাইট ফোর্স অসি শীজিন্নখিগনি হায়রি।

নেভি সিলগী টোপ কমান্দর রিয়র এদমাইরেল হক হৱার্দনা ফোঙদোকখিবদা ইলাইট ফোর্স অসি কাউন্টর টেরোরিজমগীদমক্তা লিংখৎখিবনি। অদুবু মখা তানা মখোয়শিং অসি অতোপ্পা মিসনশিংদসু শীজিন্নরগনি। ইলাইট ফোর্স অসিদা য়াওরিবা অয়াম্বনা দিকেদ অনীরোম ইরাক্কী লৈকংলাদা অমদি অফঘানিষ্টানগী চীংগী শরুকশিংদা লানফম কয়া মায়োক্লদুনা লাকখ্রবা ঙাক্তনি হায়রি।

# পাকিস্টানদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা মীওই ২০১ শিখ্রে



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী) :
চহী অসিগী ওইনা পাকিস্টানদা অমুক্তা ওইখিদ্রবা মওংদা নোংমা খত্তদা কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা মীওই ২০১ শিহনখিবগা লোয়ননা অনৌবা কেস ৫,২৯২ থেংনখ্রে হায়না নেস্নেল কম্মান্দ এন্দ ওপরেসন সেন্তর (এন সী ও সী) না ফোঙদোরক্লি।

এন সী ও সীগী দেটা মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা শিখিবা মশীং থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশীং ১৭,৫৩০ শুখ্রে। লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক কোরোনা ভাইরসকী এক্তিভ কেস ৮৮,২০৭ লৈরি। চহী অসিগী মার্চ থাদগী হৌরগা পাকিস্টানদা নুমিৎ খুদিংগী কোরোনা ভাইরসকী অনৌবা কেস ২,০০০ দগী তাদনা থেংনরি।

লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ না অমুক হন্না চৈথেং পীবা হৌরক্লিবা অদুগী য়েংলগা পাকিস্টান গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অদুগী মরু ওইবা সিটিশিংদা মিলিটরি ক্রুপশিং দিপ্লোয় তৌখিবগা লোয়ননা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখ্রে। লৈবাক অদুগী অচৌবা সিটি ১৬ তা লৈবা দুকানশিং অমদি মোলশিং হাংবগী মতাংদসু অনৌবা চৎনা কাঙলোনশিং শেমখ্রে হায়রি।

মথং থাগী ময়াই ৱাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইদ-অল-ফিটরগী কুম্হৈদসু পাকিস্টান গভর্ণমেন্টনা অথিংবা কয়া থম্নবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা স্কুলগী এগজামশিং মতম খরগী ওইনা য়ৈথোকখ্রে হায়রি।

# ‘মালেমগী লৈবাকশিংনা মতেং পাংলবদি মোজাম্বিককী মীয়াম হান্নগী পুন্সি মহিংদা হঞ্জিল্লকপা ঙমগনি’



মপুটো, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী) :
নোংপোক অফ্রিকাগী মনুং চন্না লৈবা মোজাম্বিক লৈবাক মহৌশাগী ফজবনা থল্লবা মফম অমনি। নোংপোক অফ্রিকাগী মনুং চনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা লম কোয়বশিংনা খ্বাইদগী হেন্না ভিজিট তৌবা মফমসু মোজাম্বিক্না ওইরি। অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৈবাক অসিদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাও অমদি ঈকংনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মীয়াম অৱাবা ফীভম অমদা লৈরি। ঈচাও অমসুং ঈকংনা পীখিবা অৱাবা কোক্ত্রিঙৈগী মরক্তা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা অমুক হন্না চৈথেং পীরকপদগী লৈবাক অসিগী ফীভম অদুক্কী মতিক শোকচিনখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এনগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা মোজাম্বিক্তা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়াম্না খুদোংথিনিঙাইনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা চাবা ফংদবগী প্রোব্লেম মায়োক্লরি। থক্লবা অফবা ঈশিং অমসুং চানবা চীঞ্জাক মরাং কায়না ফংদবদগী মীওই কয়া শিখ্রে। য়ু এনগী মায়কৈদগী মোজাম্বিক্তা পাংবা য়াবা মতেং পাংদুনা লাক্লি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদদি মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্না মোজাবিক্তা মীৎয়েং থমদুনা মতেং পাংদ্রগদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক অৱাফমদা তারবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

অমুক্কা হেন্না লৈবাক অসিদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবদি মীওই মিল্লিয়ন ২.২ দি ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা হিংলি। মখোয়না শীজিন্ননবা দ্রগশিংসু ফংলক্তবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মোজাম্বিক গভর্ণমেন্টনা চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা দ্রগ য়ুজরশিং অসিনা শীজিন্ননবা মহুৎশিনবা য়াবা দ্রগশিং সপ্লাই তৌবিরক্লবা হায়জখিবা লৈখ্রে হায়রি।

# থাঙ পায়বা মীওই অমনা চত্থখিবা এটেক্তা অঙাং ১৬ য়াওনা মীওই ১৮ শোক্লে

বৈজিং, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী) :
চাইনাগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা গুৱানজিদা থাঙ পায়বা মীওই অমনা চত্থখিবা এটেক্তা চহী নৌরিবা অঙাং ১৬ য়াওনা মীওই ১৮ অশোক অপন নংখ্রে হায়না ষ্টেটনা চলাইবা মীদিয়া হাউস অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীদিয়া হাউস অসিগী রিপোর্টমতুং ইন্না থৌদোক অদু গুৱানজিগী শরুক্তা লৈবা কিন্দরগার্টেন অমদা থোকখিবনি। অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা থাঙ পায়বা মীওই অমনা কিন্দরগার্টেন অদুদা চঙলক্লগা মথোং মরম খঙদনা মহাক্লা পায়রক্লিবা থাঙ অদুনা মনাক নক্লা লৈরম্বা মীওইশিংদা য়াননবা হোৎনরকখি। অমদি থাঙ অদু নাৎ য়েৎ খঙদনা পংহাইদা হাইরকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা অঙাং অনীগী ফীভমদি লুরি হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই পুলিসনা ফারে হায়রি।

# কোভিদ-১৯ না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 44,10,000+66,358 | 36,70,000+67,752 | 66,179+895 |
| Kerala | 14,60,000+32,819 | 12,10,000+18,413 | 5,170+32 |
| Karnataka | 14,00,000+31,830 | 10,80,000+10,793 | 14,807+180 |
| Uttar Pradesh | 11,50,000+32,921 | 8,35,000+30,398 | 11,678+264 |
| Tamil Nadu | 11,10,000+15,830 | 9,91,000+14,043 | 13,728+77 |
| Delhi | 10,70,000+24,149 | 9,59,000+17,862 | 15,009+381 |
| Andhra Pradesh | 10,50,000+11,434 | 9,48,000+7,055 | 7,800+64 |
| West Bengal | 7,76,000+16,403 | 6,65,000+10,664 | 11,082+73 |
| Chhattisgarh | 6,82,000+14,893 | 5,55,000+16,931 | 7,782+246 |
| Rajasthan | 5,47,000+16,089 | 3,88,000+7,426 | 3,806+121 |
| Madhya Pradesh | 5,25,000+13,417 | 4,26,000+11,577 | 5,319+98 |
| Gujarat | 5,25,000+14,352 | 3,90,000+7,803 | 6,656+170 |
| Haryana | 4,48,000+11,931 | 3,60,000+7,184 | 3,926+84 |
| Bihar | 4,28,000+12,604 | 3,31,000+7,904 | 2,307+85 |
| Odisha | 4,20,000+6,073 | 3,71,000+4,089 | 2,007+10 |
| Telangana | 4,20,000+8,061 | 3,46,000+5,093 | 2,150+56 |
| Punjab | 3,51,000+5,916 | 2,91,000+3,774 | 8,630+100 |
| Assam | 2,44,000+3,132 | 2,21,000+955 | 1,233+18 |
| Jharkhand | 2,13,000+6,126 | 1,60,000+4,247 | 2,246+131 |
| Jammu and Kashmir | 1,66,000+3,164 | 1,42,000+1,457 | 2,197+25 |
| Uttarakhand | 1,63,000+5,703 | 1,17,000+1,606 | 2,309+96 |
| Himachal Pradesh | 91,350+2,157 | 74,812+1,308 | 1,387+24 |
| Goa | 81,908+2,110 | 64,231+748 | 1,086+31 |
| Puducherry | 55,047+1,021 | 46,448+690 | 771+13 |
| Chandigarh | 40,350+837 | 33,924+426 | 446+6 |
| Tripura | 34,862+124 | 33,549+35 | 396+2 |
| Manipur | 30,742+175 | 29,317+50 | 393+3 |
| Arunachal Pradesh | 17,898+123 | 17,021+28 | 58 |
| Meghalaya | 16,271+147 | 14,650+90 | 165+4 |
| Ladakh | 13,642+140 | 11,800+293 | 139+1 |
| Nagaland | 13,445+207 | 12,472+59 | 99+1 |
| Sikkim | 7,426+97 | 6,302+41 | 142+2 |
| Dadra and Nagar Haveli and Daman and Diu | 6,912+186 | 4,883+183 | 4 |
| Andaman and Nicobar Islands | 5,764+48 | 5,562+42 | 66 |
| Mizoram | 5,742+229 | 4,743+12 | 13 |
| Lakshadweep | 2,247+121 | 1,067+120 | 1 |

# মীয়াম্না য়াদ্রবদি প্রসিদেন্ট ওইবগী মতম শাংদোক্লরোই: মহমদ অব্দুলাহি

মোগাদিসু, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী) :
সোমালিয়াগী প্রসিদেন্ট মহমদ অব্দুলাহিনা মহাক্কী প্রসিদেন্ট ওইবগী মতম চহী ২ শাংদোল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্লি। মীয়ামগী খোঙজং কা হেন্না কনশিল্লকপগী মীয়াম্না য়াদ্রবদি মহাক মখা তানা প্রসিদেন্ট ওইররোই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্নবগী ইলেক্সন অথুবা মতমদা পাঙথোক্লবা হোৎনরগনি হায়রি।

মহমদ অব্দুলাহিগী প্রসিদেন্ট ওইবগী মতম অসি চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা লোইখ্রবনি। অদুবু অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্নবগীদমক ইলেক্সন মতম চানা পাঙথোকপা ঙমখিদ্রবা মতুং পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউসনা থা অসিগী অঙনবদা অব্দুলাহিগী প্রসিদেন্ট ওইবগী মতম চহী অনী শাংদোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি।

সোমালিয়াগী মিলিটরি পর্সনেল খরনা ফিরেপ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ওপোজিসনগী মায়কৈদা লেপ্লি। অদুগা মিলিটরিগী মকোক থোংবা ওফিসরশিংনদি অব্দুলাহিবু মখা তানা প্রসিদেন্ট ওইহনবা পাল্লি।




মিলিটরিগী মরক্তসু নাকপাক তানরকপা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা চাওনা অকায়বা থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈরক্লি।

অমরোমদা প্রসিদেন্ট অব্দুলাহিনা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং অতোপ্পা পোলিটিকেল লিদরশিংনা লৌখিবা ফিরেপ অদু কন্দেম তৌই। অদুমওইনমক থেংথবা তৌদনা ইলেক্সন তৌহন্নবা পুখৎলক্লিবা ৱাফম অদুদি মহাক্লা তরাম্না ওকই। হীরম অসিগীদমক অথুবা মতমদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নরগনি। ওপোজিসন পার্টিশিংনা মহাকপু প্রসিদেন্ট ফমদগী রিজাইন তৌনবা মখা তানা তকশিনখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মহাক রিজাইন তৌবগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

প্রসিদেন্টনা অনৌবা ইলেক্সন অমা অথুবা মতমদা পাঙথোক্লবা হোৎনরগনি হায়না মীয়ামদা লাউথোকখ্রবসু লৈবাক অদুদা লৈরিবা ওপোজিসনশিংগী মতাংদদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে।

মশক মমিং তাকথোক্তবা লৈবাক অদুগী পোলিটিসিয়ন খরা অমদি মপান লমদগী লাকপা মীওই খরনা সোমালিয়া মনুংদা তংদু লৈতানা লৈহন্দনবা হোৎনরি হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না পামদ্রবদি প্রসিদেন্ট ওইবগী মতম শাংদোকখিবা অদু মখা তানা শাংদোক্লরোই হায়রি।

অমরোমদা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর রোবলনা প্রসিদেন্টকী ৱাফম অদুবু মপুং ফানা শৌগৎখিবগা লোয়ননা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং মখোয় মখোয়গী বেরেক্তা হন্নবা খঙহনখ্রে। ওপোজিসন লিদরশিংনসু সোমালিয়াগী অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দনবসু আপীল তৌরক্লি। য়ুনাইটেদ নেসন্স, অফ্রিকা য়ুনিয়ন, য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমসুং অতোপ্পা লৈবাক কয়ানসু সোমালিয়াগী প্রসিদেন্টনা লৌখিবা ফিরেপ অদুবু থাগৎখিবগা লোয়ননা অথুবদা ইলেক্সন তৌদুনা অনৌবা প্রসিদেন্ট খন্নবা ৱাফমসু পুথোক্লরক্লি।